## য়ু কেগী রেস্পোন্স য়াম্না তপখি

লন্দন, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) :
নোভেল কোরোনাভাইরস লাইচৎকা মরী লৈননা অহানবদা বৃটেন্না লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎপদা য়াম্না তপখি অমসুং লৈবাক অসিনা অতৈ লৈবাকশিংদগী য়াম্না থুনা খঙজিন-উশিনবা ঙমখিদে হায়না ওপোজিসন লেবর পার্টিগী লিদর কিয়র ষ্টার্মরনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
য়ুরোপকী অতৈ লুচিংবশিংনা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ থিংনবা অকনবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা হৌখ্রবসু প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা অহানবদা অসিগুম্বা থৌরাংশিং লৌখৎপগী ৱাফম য়াখিদবা মতুংদা য়ু কেদা কোভিদ-১৯না মীওই মিলিয়ন অমগী শরুক মরি থোকপগী অমা ফাওবা শিহনবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লখিবা মতুংদা লৈবাক অসিদা ভাইরস লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখিবনি।

## মেথানোলথকপদা২ শিরে

চেন্নাই, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯গী লোকদাওন্না মরম ওইদুনা য়ুগী দুকানশিং থোঙ লোন্নখিবদগী টামিল নাদুগী কুদালোর দিষ্ট্রিক্টতা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মেথানোল থক্লুবা মীওই অনী মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রেখ্রে।

## লাইচৎ মরক্তা সাউথ কোরিয়নশিংনা ভোট থাদনখ্রে



সিওল, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) :
নোভেল কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা লৌখৎপা অকনবা চেকশিন-থৌরাংশিংগী মরক্তা মাস্ক উপ্পা ভোটরশিংনা ভোট থাদনখিবগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়াগী য়ুমশকৈশা নুমিৎকী জেনরেল ইলেক্সনদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইনগী রুলিং পার্টি মাই পাক্লগনি হায়বসি এগজিট পোলশিংনা উৎখ্রে।
কোরোনাভাইরস লাইচৎ শন্দাকপা হৌখিবদগী লৈবাকশীন-থুংনা পাঙথোকপা মীখলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী মীখল অসি মালেম পুম্বনা মীৎয়েং চঙলিবনি। কোরোনাভাইরসনা অতৈ লৈবাক কয়াগী মীখলশিং য়ৈথোক্ল খিবসু লৈখ্রবনি।
পার্লিয়ামেন্টতা রুলিং পার্টিনা মেজোরিটি ফংলবদি মুননা ওফিস পায়বা মহাক্কী অরোয়বা চহী অনীগী মনুংদা মীয়াম্বু থবক হেন্না ফংহনবা, খুৎশুমলগী চাং হেনগৎহনবা অমসুং নোর্থ কোরিয়াবু এনগেজ তৌবা য়াওনা থৌরাং কয়া পায়খৎনবা শেম-শাদুনা লৈরিবনি। লৈবাক অসিগী দিসইনফেক্টেদ পোলিং ষ্টেসন ১৪,০০০ রোমদা ভোটরশিংনা মাস্ক উপ্পুনা, টেম্পরেচর চেক তৌহন্দুনা, হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নদুনা, প্লাষ্টিক গ্লোভশিং উপ্পুনা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তুনা ভোট থাদনখি।
চোই সুন-হ্বা কৌবা ভোটর নুপী অমনা এজেন্সিদা কোরোনাভাইরসকী অকিবা লৈবনা মরম ওইদুনা মহাক অহানবদা ভোট থাদবা থোরকপদা হঙ্গোইবা লৈরবসু পোলিং ষ্টেসন য়ৌরকপা মতমদদি অকিবা পুন্নমক মাঙখিদুনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লগা ভোট থাদখি হায়না ফোঙদোকখি।
মেম্বর ৩০০ লৈবা সিঙ্গল-চেম্বরগী পার্লিয়ামেন্টতা মুনগী মীয়াম্মা পাম্মরবা কেম্পনা সীট ১৭৭ ফাওবা ফংবা য়াবগী ফিভম লৈরি। টি ভি নেটৱার্কশিংনা কন্দক্ত তৌখিবা এগজিট পোলশিংগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী মরু ওইবা কঞ্জার্ৱেটিভ পার্টিনা সীট ১৩১ ফাওবা ফংলবা য়াই। সাউথ কোরিয়ানা কোরোনাভাইরসগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা মাই পাক্লবা কেম্প্যনননা মুন অমসুং মহাক্কী পার্টিদা চাওনা কান্নহল্লগনি হায়না থাজনরি।
চাইনাগী ৱাংমদা শন্দোরকখিবা অহানবা খ্বাইদগী শাথিবা লাইচৎনি হায়না লৌনখিবা সাউথ কোরিয়াগী কোরোনাভাইরস লাইচৎ প্রসিদেন্ট মুনগী লিচিং মখাদা লৈবাক অসিনা নীংথিনা কন্ত্রোল তৌবা ঙমখি। মহাক্কী গভর্নমেন্টনা পাক শন্না টেষ্টিং কেম্প্যেন চখৎবগা লোয়ননা পোজিটিভ ওইরবশিংগী কন্টেক্টশিং থিদোকপগী থবক মাই পাক্না পাঙথোকখি। কোরিয়া সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী মতুং ইন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অনৌবা কেস ২৭ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়াগী কোরোনাভাইরস কেস পুন্না ১০,৫৯১ য়ৌখি।

## জপানিজ সিটিজনশিং য়ুমদগী থোক্তনবা খঙহনখ্রে




টোকিয়ো, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) :
অর্জেন্ট এক্সন লৌখত্তবা তারবদি কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা জপানদা মীওই ৪০০,০০০ ফাওবা শিবা য়াই হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মীয়ামদা য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈননবা তকশিনখ্রে।
কোরোনাভাইরসকী লাইওংশিং উৎপা মীওইশিংদমক টেষ্ট তৌরিবা জপান্না হৌজিক ফাওবদা ইনফেক্সন ৯,০০০ হেন্না রোকোর্দ তৌখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ক্রুজ জহাজ অমদা ইনফেক্সন থোকখিবা পেসেঞ্জরশিং য়াওরি। হৌজিক ফাওবদা ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা জপানিজ ২০০ রোম শিখ্রে।
জপানিজ মিদিয়ানা হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী প্রোজেক্সন অমা পল্লদুনা হায়খি মদুদি, লায়না শন্দোরকপা থিংনবগী অকনবা থৌরাংশিং লৌখৎহৌদবা তারবদি মীওই ৪০০,০০০ লোম শিবা য়াই। পুন্না মীওই ৮৫০,০০০ ভেন্টিলেটরশিং মথৌ তারকপা য়াই হায়নসু রিপোর্টশিং অদুদা পনখি।
হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা জপানদা মরু ওইনা কেপিটেল টোকিয়োদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন হেনগৎলপগী ফিভম উখি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা গভর্নমেন্টনা টোকিয়ো অমসুং ওসাকা য়াওনা মফম তরুক্তা ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবগা লোয়ননা চাদা ৭০ ফাওবগী চাংদা মীয়াম মরক্তা ইন্টরেক্সনগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা অকনবা কেম্প্যেন অমা চখৎখি।
গভর্নমেন্টকী থৌরাংশিং অদুদা সিটিজনশিংবু য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা হায়জবা অমসুং বিজিনেসশিং থিংজিনবা য়াওইরি। তৌইগুম্বসুং থৌরাংশিং অসি নমদুনা ইনহন্নবা ফাইননচিংবা পেনাল্টিশিং মায়োক্ল হনবগী ৱাফমদি য়াওদে।

## চাইনিজ জহাজ ভিয়েটনামগী মনাক্তা অমুক হল্লক্লে



হনোই, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) :
হৌখিবা চহীদা ভিয়েটনামিজ ভেসেলশিংগা মুক্লখিবা চাইনিজ ভেসেল অমা ভিয়েটনামগা নক্লবা ঈশিংগী শরুক্তা অমুক হল্লক্লে হায়রি।
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাইনাবু সাউথ চাইনা সীদা মিলিটরি পাঙ্গল শাগৎনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা সাউথ চাইনা সীগী মফম কয়া ক্লেম তৌরিবা অতৈ লৈবাক কয়ানা কোরোনাভাইরস থেংনবদা থবক চিন্দুনা লৈনরিঙৈদা চাইনিজ জহাজ অদু মমাংগী মুক্লখিবা মফমদা অমুক হল্লকখিবনি।
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাইনাগী মরিটাইম ক্লেমশিং শীংনবগা লোয়ননা মালেমগী মরু ওইবা উংখৎনবা থোকহনবা য়াবা মফম্নি হায়না লৌনবা রিসোর্স মরাং কায়না লৈবা ঈশিংগী শরুক অদুদা হৌখিবা চহীদা ভিয়েটনামিজ ভেসেলশিংনা থা কয়া চুপ্পা চাইনিজ হাইয়াং দিজি সর্ভে ভেসেল অদুবু কুপশেন শেন্নদুনা লৈখি।
ওফসোর সাইজমিক সর্ভেশিংদা শীজিন্নবা জহাজ অদু অমুক হন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ভিয়েটনামগী সমুদ্র খোংবানদগী কিলোমিটর ১৫৮ লাপ্পা লৈবাক অসিগী এক্সক্লুসিভ জেনগী মনুং চনবা ঈশিংগী শরুক্তা চঙশিল্লকখি। মরিটাইম ট্রাফিক্কী দেতা মতুং ইন্না য়ামদ্রবদা চাইনাগী কোষ্টগাদ ভেসেল অমনা সর্ভে জহাজ অদু ঙাক শেন্দুনা লাকখি।
য়ুমদ্রবদা ভিয়েটনামিজ ভেসেল ৩ চাইনিজ জহাজ অদুগা চৎমিন্নরি হায়বসিসু মরিন ট্রাফিক সাইটনা পীবা দেতানা উৎখি। ভিয়েটনামনা সাউথ চাইনা সীদা চথুরিবা এক্তিভিটিশিং কুপ্পা য়েংশিন্দুনা লৈ হায়না লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়রসনা ফোঙদোকখি।
চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনদি চাইনিজ জহাজ অদুনা মহৌশাগা মান্নদবা থবক অমত্তা তৌবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।
চাইনানা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌবা ঈশিংগী শরুক্তা চাইনিজ সর্ভে সিপ অদুনা নোর্মেল এক্তিভিটিশিং পাঙথোক্লি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন্না বৈজিংদা ফোঙদোকখি।

## কাইরোদা নোংমৈ কাপ্নবদা পুলিস ১, মিলিটেন্ট ৭ শিরে



কাইরো, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) :
ইজিপকী কেপিটেল কাইরোদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা পুলিসকী মীওই অমা অমসুং মিলিটেন্টশিং ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনবা মীওই ৭ শিখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টয়িরনা ফোঙদোকখ্রে।
কোপ্তিক খৃষ্টানশিংগী মায়োক্তা ইষ্টর কুম্হৈগা মরী লৈননা এটেক কয়া চথুরকপা য়াবগী থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ খরা ফংলে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা কেপিটেলদা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। খুৎ থোক্লবা অদুদা পুলিসকী মীওই অহুম অশোক-অপন নংলে হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।
মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, কাইরোগী নোংপোক অমসুং খা থংবা শরুক্কী মফম কয়া সেল্টর ওইনা শীজিন্নরিবা তাকফিরি আইদিওলোজি চৎপশিংগী ওইবা টেররিষ্ট সেল অমনা লৈবাক অসিগী কোপ্তিক খৃষ্টানশিংগী মায়োক্তা শেংলবা ইষ্টরগী চয়োল মনুং অমসুং নোংমাইজিং নুমিত্তা টেররিষ্ট ওপরেসনশিং চথুরকপা য়াই হায়বগী পাউ ফংখি।
ইজিপকী মীশিং মিলিয়ন ১০০ হেনবগী মনুংদা চাদা ১০ রোম ওইরিবা ওর্থোদোক্স দিনোমিনেসন অমনি হায়না লৌনবা কোপ্তিক খৃষ্টানশিং অসি মিদল ইষ্টগী খ্বাইদগী চাওবা খৃষ্টান কম্যুনিতিনি। মখোয়না এপ্রিল ১৯দা ইষ্টরগী থৌরম পাঙথোকই।
ইজিপ্না তাকফিরি হায়রিবা ৱাহৈ অসি ভিক্তিমশিংবু লাইদা থাজদবা মীওইশিংনি হায়না মরাল শীরিবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট পনবদা শীজিন্নৈ। প্রাইভেট টেলিভিজন ষ্টেসন অনীনা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদুগী ফুটেজ ব্রোদকাস তৌখি। ষ্টেসনশিং অসিনা মীয়ামদা য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈনবসু খঙহনখি। থৌদোক থোকফমদগী নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম লৌখৎলে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।
কোপ্তিক খৃষ্টানশিংনা মতম শাংনা মখোয়বু তাথি-তাওইনা তৌই অমসুং নীংথিনা ঙাক-শেনবিদে হায়না ৱাকত্তুনা লাকখিবনি।

## আর্মিগী মেদিকেল টিমশিংনা লৈবাক ৪দা মতেং পাংনবা শেম-শারি





ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) :
শ্রীলঙ্কা, বাংলাদেশ, ভুটান অমসুং অফঘানিষ্টানদা পায়খৎলিবা কোরোনাভাইরস থেংনবগী থবকশিংদা মতেং পাংনবগীদমক্তা ইন্দিয়ন আর্মিনা লৈবাকশিং অসিদা দিপ্লোই তৌনবা মেদিকেল টিমশিং শেম-শাদুনা থম্লি হায়রি।
ইন্দিয়ানা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা মেদিকেলগী মতেং পাংনবগীদমক শেম-শাদুনা লৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা গভর্নমেন্ট ওথোরিটিশিংনা ইন্দিয়ন আর্মিদা মেদিকেল টিমশিং শেম-শাদুনা থম্নবা খঙহনখিবনি হায়রি।
ফোর্স অসিনা এপ্রিল ১১ দা কুৱেটতা মেদিকেল ওফিসর ৮ অমসুং পেরামেদিক ৭ থাদুনা লৈবাক অদুগী গভর্নমেন্টকী কেপেবিলিটি দেভলপমেন্টদা মতেং পাংবগা লোয়ননা আর টি পি সী আর দাইগনোষ্টিক পেনেল মেছিনসু ইনষ্টোল তৌখি। মসিদা নত্তনা আর্মিনা অতৈ মরুপ-মপাং ওইবা মপানগী লৈবাকশিংদসু মতেং পাংখি। হৌখিবা মার্চ ১৩ দগীনা মার্চ ২১ ফাওবদা দোক্তর ৫, নর্সিং ওফিসর ২ অমসুং পেরামেদিক ৭ কী ওইবা মেদিকেল টিম অমা কোভিদ লায়না লাকশিন্নবা হোৎনবগী শরুক ওইনা মালি গভর্নমেন্টপু এদভাইজরিগী থৌদাং লৌদুনা মতেং পাংনবগীদমক্তা দিপ্লোই তৌখি।
ইন্দিয়ানা নেপাল অমসুং অফঘানিষ্টানদসু হীদাক-লাংথক অমসুং মেদিকেল ইক্কিপমেন্ট মতেং পাংখি। লৈবাক অসিদসু ফোর্স অসিনা মখল-মখা কয়াগী ইনিসেটিভশিং লৌখৎলে। দিল্লি গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা নরেলা ক্বারন্টিন সেন্টরদা ফোর্স অসিনা মেদিকেল ওফিসর ৪ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফ ১৮ দিপ্লোই তৌখ্রবনি।
চাইনাগী ৱুহানদা কোরোনা-ভাইরস দিটেক্ট তৌখিবা মতমদগী লৈবাক অসিনা আর্মি শীজিন্নদুনা লাক্লি।

## য়ু পিদা হেল্থ ৱর্করশিং অমসুং পুলিসকী টিমদা এটেক তৌখ্রে




মোরাদবাদ, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) :
য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু পিগী মোরাদবাদতা লৈবা কোরোনাভাইরস পেসেন্ট ১ অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং লৌখৎপা চৎখিবা হেল্থ ৱর্করশিং অমসুং পুলিসকী টিম অমদা এটেক তৌখ্রে হায়রি।
পুলিস অমসুং হেল্থ ৱর্কর কয়া অশোক-অপন নংখিবা থৌদোক অদু মোরাদবাদকী নৱাবপুরদা থোকখিবনি। ইরাং হৌবশিংনা নুঙনা থাজিল্লকপদগী এম্বুলেন্স অমসুং অতৈ গাড়ি ৪ সু অকায়-অথোয় থোকখি।
রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না সর্তাজ কৌবা মীওই অমা মশা ঙল্লক্তবদগী তির্থাঙ্কর মহাবির য়ুনিভর্সিটিগী মেদিকেল কোলেজদা এদমিট তৌখি। মহাক্কী সেম্পলশিং চাংয়েং তৌনবগীদমক্তা এপ্রিল ৯ দা থাখি অমসুং রিপোর্ট এপ্রিল ১৩ দা লাকখিবগা লোয়ননা মহাক কোরোনা পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙখি। নুমিত্তুগী অহিংদা পেসেন্ট অদু শিখি।
মহাক্কী ইমুংগী মীওই খরা আই এফ টি এম য়ুনিভর্সিটিদা ক্বারন্টিন তৌখি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হেল্থ অমসুং পুলিস টিম অদু অরুম হৌদুনা লৈরিবা সর্তাজকী মনাওনুপা লৌখৎনবগীদমক্তা মখোয়গী য়ুমদা চৎখিবনি। টিম অদুনা মফম অদুদা হেক য়ৌবগা মীয়াম্না ময়ুম-ময়ুমদগী থোক্লরক্তুনা মফম অদুদা পুনশিনবা হৌরকখি। মখোয়না ইমুংগী মীওই খরা ক্বারন্টিন তৌবগীদমক পুথোক্লবা টিম অদুনা হোৎনরিবদুদা অথিংবা পীনবা হোৎনখি।
হেল্থকী টিম অদুনা তিল্লিবা মীয়াম অদুবু ৱাখল তাহন্নবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মফমদুগী মীয়াম অদু লাক্ল-ফানবা য়াদবগী মওং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মখোয়না টিম অদুদা নুঙনচিংবা কয়া থাজিনবা হৌখি।
য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর অদিত্যনাথনা থৌদোক অদুবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসলশিংদা চেন্নবা মীওইশিং নেসনল সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা বুক তৌনবা ওর্দর তৌখ্রে হায়রি।

## ইন্দিয়াদা এক্তিভ কেস ৯,৭৫৬ লৈ, চাদা ১১.৪১ অনাবা ফরে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) :
লৈবাক অসিগী কোরোনাভাইরস পেসেন্ট চাদা ১১.৪১ লায়েংবদা ইনফেক্সন অসিদগী ফরে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ১৭০ হোটস্পোটশিংনি হায়না খঙদোকপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট ২০৭ নন-হোটস্পোটশিংনি হায়না লেপথোক্লে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।
ইন্দিয়াদা লৈরিবা কনফর্ম তৌরবা কোরোনাভাইরসকী অপুনবা কেস মশিং ১,৪৩৯নি। মীওই ৩৭৭ ভাইরস অসিনা পুন্সি লোমহনখ্রে অমসুং মীওই ১,৩০৫ না লায়েংবদা ফদুনা হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। লৈবাক অসিগী হৌজিক লৈরিবা অপুনবা এক্তিভ কেস মশিং ৯,৭৫৬ নি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা পুন্না কেস ১,০৭৬ হাপচিনখি হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।
হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি লভ অগরৱালনা ফোঙদোকখিবদা, কোরোনাভাইরস পেসেন্টশিং ফগৎলকপগী চাং তপ্ন-তপ্না হেনগৎলক্লি অমসুং পেসেন্ট অপুনবগী চাদা ১১.৪১ লায়না অসিদগী ফরে।
ঐখোয়না কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিং মরু ওইনা হায়-রিস্ক গ্রুপকী মীওইশিং অমসুং মশাদা হান্নদগী লায়না চেনবা পেসেন্টশিং লায়েংবদা ইনফম থোকপা প্রোটোকোল নীংথিনা ইন্ননবা হোৎনবদা মীয়েং থমদুনা থবক তৌই হায়না অগরৱালনা ফোঙদোকখি। য়ুমথোং-য়ুমথোংগী সর্ভেশিং পাঙথোক্লবা মতুংদা গভর্নমেন্টনা কোভিদ-১৯গী হোটস্পোটশিং অমদি গ্রীন জোনশিং লেপথোক্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।
অগরৱালনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী হোটস্পোটশিং দিল তৌনবা ষ্টেটশিংদা গাইদলাইনশিং ইশ্যু তৌখ্রে অমসুং স্পেসল টিমশিং থাদুনা অনৌবা পেসেন্টশিং থিদোক্লগনি। ইসেন্সিএল সর্ভিসশিংগা মরী লৈনবশিং নত্তনা কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা চৎথোক-চৎশিন অমত্তা তৌহল্লোই হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন লৈত্রি হায়খি।

## লোকদাওন মনুংদা স্পেসল পার্সেল ট্রেনশিংনা লুপা ক্রোর ৭.৫ তানখ্রে




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) :
পেসেঞ্জর অমত্তা তোংদবা অখন্না পার্সেল ট্রেনশিং শীজিন্নরগা তঙাইফদবা পোৎলমশিং হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌদুনা ইন্দিয়ন রেলৱেজ (আই আর)না শেল তানবা ঙমখ্রে।
রেলৱেজনা শীজিন্নখিবা অখন্নবা পার্সেল ট্রেনশিংনা টন ২০,৪০০ কী তঙাইফদবা পোৎলমশিং হোনখিবগা লোয়ননা নুমিৎ ২১নিগী লোকদাওন মনুংদা লুপা ক্রোর ৭.৫ তানখি।
রেলৱে মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসর অমনা ফোঙদোকখিবদা, ঈ-কম্মর্স এন্টিটিশিং অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টশিং য়াওনা অতৈ কষ্টমরশিংনা মাস ট্রান্সপোটেসন তৌবা য়াহন্নবগীদমক স্পেসল পার্সেল ভানশিং শীজিন্নবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংহনখি। মদুগী মতুংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং লেপ্তুনা সপ্লাই তৌবা য়ানবগীদমক রেলৱেজনা টাইম টেবলদা য়ুম্ফম ওইবা অখন্নবা পার্সেল ট্রেনশিং খন্দোক্লবা রুটশিংদা চেলহন্নবা ৱারেপ লৌখি। অসিগুম্বা স্পেসল পার্সেল ট্রেনশিং অসি রুট ৬৫ দা ওপরেট তৌই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।
ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এপ্রিল ১৪ গী নুমিদাং পুং ৬ ফাওবদা ট্রেন ৭৭কী মনুংদগী ৭৫ টাইম টেবলদা চেনবা অখন্নবা পার্সেল ট্রেনশিং ওইখি। মখোয়না টন ১,৮৩৫ কী তঙাইফদবা পোৎলমশিং হোন্দুনা নোংমদা লুপা লাখ ৬৩ তানখি।
অমরোমদা, লৈবাক অসিদা নোভেল কোরোনাভাইরসকী ক্রাইসিস মরক্তা পর্সনেল প্রোটেক্তিভ ইক্কিপমেন্ট (পি পি ঈ)গী দিমান্দ লেপ্পুনা হেনগৎলক্লিবসি য়েংদুনা রেলৱেজনা এপ্রিল থা লোইবা ফাওবগী মনুংদা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংদা পি পি ঈ ৩০,০০০ সপ্লাই তৌনবা থৌরাং তৌরি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইন্দিয়ন রেলৱেজনা ফোঙদোকখ্রে।
মেথা মনুংদা পি পি ঈ লাখ ১ শাননবা থৌরাং তৌরি হায়নসু নেসনল ট্রান্সপোর্টর অসিনা ফোঙদোকখি। হৌজিক প্রদক্সন য়ুনিটশিং, ৱার্কসোপশিং অমসুং ফিল্ড য়ুনিটশিংনা হেল্থ ক্যের পর্সনেলশিংগীদমক্তা পি পি ঈ কোভরোলশিং শাবা হৌখ্রবনি।